দেন্টেল কোলেজগী অৰাৎ-অপাশিং দি সী আইদা খঙহল্লগনি : দিরেক্টর

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচ এন এস): জেনিমসকী দেন্টেল কোলেজদা হৌজিক লৈরিবা ইনফ্রাষ্টচর, টিচিং এন্দ নন-টিচিং ষ্টাফ য়াওনা লৈরিবা অৰাৎ অপাশিং থা অসিগী মনুংদা মেনশিন্দুনা দেন্টেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (দি সী আই) দা খঙহল্লগনি হায়না জৱাহলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) কী দিরেক্টর প্রোফেসার পি ঐচ ভিমোনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগী মতাংদা দিরেক্টর প্রোফেসার পি ঐচ ভিমোনা হায়, থা অসিগী ৩ অমসুং ৪ দা দেন্টেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎ কাঙবু অমনা দেন্টেল কোলেজ অসি য়েংশিনবা লাক্লমখি। টিম অদুনা কোলেল অসিদা লৈরিবা অৰাৎ অপাশিং মরুনা ইনফাষ্ট্রকচর, টিচিং এন্দ নন-টিচিং ষ্টাফ অমসুং লাইব্রেরীগী অৰাৎ অপাশিং পুথোক্তুনা জেনিমসকী ওথোরিটিদা খঙহল্লমখি হায়রি।

দি সী আইনা পুথোক্লম্বা অৰাৎ অপাশিং অদু জেনিমস ওথোরিটিনা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিদা ইখৎতুনা খঙহনখি। লোয়নন্না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৈরিবা অৰাৎ অপাশিং অদু চৎলিবা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা মেনশিল্লগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা পীরকখি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কোলেজ অসিদা মথৌ তাবা ইক্বিপ্টমেন্ট ৭০গী মনুংদা ২৩ দি সপ্লাই ওর্দর পীখ্রে। আইটেম ৩৯ গীনা হৌজিক টেন্দর তৌনবা প্রোসেস তৌদুনা লৈরি। অদুগা লেমহৌরিবা আইটেম ৮ গীসু অথুবা মতমদা টেন্দর তৌনবা শেম শারি। কোলেজ অসি চলাইবদা মথৌ তাবা প্রিন্সিপাল অমা, প্রোফেসর ৯, এসোসিএট প্রোফেসর ১১, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ৩০, জে আর ৯ অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফশিং ক্রিয়েসন এন্দ ফিল্লিং অপ তৌনবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১৬ তা ফমখিবা কেবীনেট মীফম্না এপ্রুভেল ইনপ্রিন্সিপল পীদুনা লৈরে। মসি হন্দক পাঙথোক্কদবা কেবীনেট মীফমদা পুথোক্লগা ফাইনান্স কনকরেন্স লৌরগনি। মসিগী মতুং থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা অৰাৎপা লৈরিবা টিচিং এন্দ নন-টিচিং ষ্টাফশিং য়েংশিল্লগনি হায়রি।

দি সী আইনা থল্লম্বা লাইব্রেরীগী মতাংদা পল্লদুনা দিরেক্টরনা হায়, কোলেজ অসিদা লাইব্রেরীগী মথৌ তাবা লাইরিকশিং লৈনবগী টেন্দর প্রোসেস তৌবা হৌরে। অথুবা মতমদা মথৌ তাবা লাইরিকশিং লৈশিন্দুনা মহৈরোয়শিংদা ফংহল্লগনি হায়খি। কোলেজ অসিগী অৰাৎ অপাশিং অসি মেনখৎনবা লৈঙাক্ক। থা ৬ লোমগী মমাঙদগী মথৌ তাবা শেনফম কায়থোক্তুনা লৈরে। অদুবু টেন্দর প্রোসেসতা মতম খরা চঙখিবনা খরা থেংথখিবনি। হৌজিক লৈরিবা অৰাৎ অপাশিং অসি হেক মেনশিনবগা হেল্‌থকী সেক্রেটরি অমসুং কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপালনা দি সী আই অমসুং হেল্‌থ মিনিষ্টর চৎতুনা উনরগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, পোরোম্পাৎতা লৈবা জেনিমস হোস্পিটাল অসিগী ইনফাষ্ট্রকচর ওথোরিটিনা তপ্না তপ্না শেমগৎলক্তুনা অফবা ইনষ্টিট্যুট অমা ওইনবা মণিপুর লৈঙাক্না হোৎনরিবনি। হায়রিবা ইনষ্টিট্যুট অসিদা অৰাং নোংপোক লমদমদগী মহৈরোয় কয়া তমদুনা মশক নাইবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্লবা লৈঙাক্না অকনবা থবক পায়খৎলিবনি। জেনিমস হোস্পিটালগী কমপ্লেক্স মনুংদা হৌজিক তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট অমদি ব্লোকনচিংবসু শেম-শাবগী থবক লেপ্তুনা চথরি। জেনিমস হোস্পিটালদা ৱানৱেদা মীয়াম্না চথোক চৎশিন তৌরিবা মখা থংবদা লৈরিবা গেট অসিসু হাংলগদি মীয়ামদা থেংনরিবা অৰাবসি খরমখৈদি শাফগনি হায়রি।

মার্জিন মনি য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচ এন এস): ওইনাম এসেমব্লি কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈরিবা নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট (এন এফ এস এ) ২০১৩ গী এজেন্টশিংগী মার্জিন মনি য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি কৈনৌদা পাঙথোকখ্রে।

বিষ্ণুপুরগী সী এ এফ এন্দ পি দিগী দি এস ও গোপেন্দ্রো শর্ম্ম অমসুং ওইনাম এ সীগী এম এল এগী নোমিনি লাইফ্রাকপম রাজেননা মথংশিংনা শরুক য়াদুনা মার্জিন মনি য়েন্থোকপগী থৌরম অসি পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা এ গোপেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হন্দক চহীগী খ্বাইদগী অহানবা ওইনা এন এফ এস এশিংগী মার্জিন মনি য়েন্থোকপসি অহানবনি। ঙসি য়েন্থোক্লিবা অসি কুমজা ২০১৭ কী মার্চতগী সেপ্টেম্বর ফাওবগীনি হায়রি। অসুম্না য়েন্থোকপা অসিনা এজেন্টশিংদা চাং নাইনা থৱায় য়াওনা অমদি নিয়ম চুম্না পি দি এসকী আইটেমশিং য়েন্থোকপগী ৱাখল্লোন হেন্না মপুং ফাহনগনি হায়না খল্লি। এজেন্টশিংনসু নিয়ম চুম্না মীয়ামদা চেঙ য়েন্থোকপীদুনা অপেনবা, অনীংবা থুংহনবা ঙম্বসু ওইসনু হায়খি। ওইনাম এ সীগী মনুংদা লৈরিবা এন এফ এস এগী এজেন্টশিংসু থৌরমদুদা মপুং ফানা শরুক য়াখি।

মসাদতা শিংনবা থৌওং তরাইনা লৌদে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন দিল্লি (মসাদ) না দিল্লিদা মীতৈশিংগী চৎন-কাঙলোন অমা ওইরিবা থাবল চোংবগী থৌরম্বু অরেম্বা তাহন্দনবা অমদি পামদবা থৌওংশিং থোক্তনবা লৌখৎখিবা ফীরেপকী মায়োক্তা লেপ্লিবা থৌওং অসি সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম) না তরাইনা লৌদে হায়রি।

য়ুনিয়ন অসিগী কো-কনভিনর ভুশন লোংজমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা চহী কয়াদা থাবল চোংবা হায়বা মীতৈগী নাৎকী ওইবা থৌরম অসিবু কনাগুম্বা খরনা শেন্দাল লম্বী ওন্থোক্তুনা লাকখি। মসিগী মথক্তা পামদবা থৌদোক কয়া অমা থোকখ্রে। মরম অদুনা অসিগুম্বা পামদবা থৌওংশিং অসি থোক্তনবা হায়দুনা মসাদনা দিল্লিদা থাবল চোংবীদনবা ৱারেপ লৌখিবা ওইরমগনি হায়বসি এস এস য়ু এমগী থাজবনি। অসিগুম্বা ৱারেপ অসিগী মরক্তা মীওই কাঙলুপ খরনা শিংনবা অমদি মসাদকী লুচিংবশিংবু পুলিসনা ফাহনখিবা থৌওং অসি এস এস য়ু এমনা তরাইনা লৌদে। এস এস য়ু এমনা মসাদকীদমক লেপকনি। মসাদনা ঙসি ফাওবদা খুন্নাইদগীদমক অফবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি। মরম অদুনা মসাদকী লুচিংবশিংবু অৰাফমদা তাহনবা থৌওং অসি লূপ অসিনা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা খুদিংমক্না অথুবা মতমদা মসাদকা য়ানবা পুরক্লবা খঙহল্লি। মীরমদা লৈরবা মীমাঙদা ঐখোয় মশেল লিংজেল মান্নদনা অমনা অমগী মথক্তা কেস তৌবসি য়াম্না লেমজবা ওইদে। মরম অদুনা ৱাথোক অসি চাউথোক্তিঙৈদা মসাদকা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা এস এস য়ু এমনা মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লি।

নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচ এন এস): হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪, ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা চাংয়েং অদুদা মণিপুরী (মীতৈ ময়েক) গী ৱাহং চেদা স্পেলিং (লোনচন) গী অশোয়বা খরা য়াওখিবা অদুগীদমক্তা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী কন্ট্রোল্লরনা লৈবাক মীয়ামদা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

য়ুগা কোন্না ৪ ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচ এন এস): ককচিং পুলিসনা ঙসি ককচিংগী তোঙান তোঙানবা এরিয়াদা থি-হুম্বা চথবদা য়ুঊ লিটর ৮০ গা কোন্না মীওই ৪ ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, য়ুগা কোন্না ফারবা মীওইশিং অদুদি ককচিং দিপা পরেংদগী য়েংখোম ইন্দ্রামনি (৪৫) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা ৱাই নোবিন, ককচিং চুমাং শম্বল্লৈ পরেংদগী নাওরেম বোনি (৪২) মপুরোইবা এন শ্যাম, লৈকাই অসিমক্তুদগী ময়াংলম্বম সোরোজিনি (৪৭) মপুরোইবা এম ইবোমচা অমদি নাওরেম পাকপী (৪৫) মপুরোইবা এন জয়েননি। পুলিসনা মখোয়দগী য়ু লিটর ২০/২০ ফাবা ঙমখি। ঙসি ককচিং পুলিসনা ককচিংগী চুমাং শম্বল্লৈ পরেংদা চথরিবা দ্রাইব অসি মখা তানা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথখিগনি হায়রি।

ꯍꯥꯎꯁꯤ/হাউসি পাঙথোকচরগনি

XI-Star Sporting Union, Akampat কী Housie Bumper Draw অমা এপ্রিলগী তাং ১৪ থাংজদা তৌগনি হায়না তৌরম্বা অদু টিকেট লৌবিরিবা মীওইশিংগী মত মতুং ইন্না নোংমা য়ৈথরগা নোংমাইজিং নুমিৎ তাং ১৫/৪/২০১৮দা শুংশোয় শোয়দনা হান্নগী মতম অমসুং মফম হোংদনা পাঙথোকচরগনি।

HL-P/1016/14

Sd/- M. Romesh
Secretary, XI-Star Sporting Union, Akampat.

ꯀꯀꯆꯤꯡ/ককচীং খুলেন ইবুধৌ খল্লাংবা হরাউবা ‘ককচীং হরাউবা’

কুমসি চহীগী ককচীং খুল্লেন ইবুধৌ খল্লাংবা অমদি ইবেনধৌ শিজ কলিকা অনীগী হরাউবগী থৌরম অসি লাক্লিবা তাং ১৮/০৪/২০১৮ ইং, কালেনগী ৩ (অহুম) নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী হরাউবা হৌজরগা তাং ২৬/০৪/২০১৮ ইং, কালেনগী ১১নি পানবা শগোলশেল ফাওবা নুমিৎ ৯নি চুপ্পা হরাউ মথোই কাবগী থৌরম পাঙথোকচগনি। অদুগা তাং ২৭/০৪/২০১৮ ইং ইরাই নুমিৎতা মুক্না-লমজেল পাঙথোকচগনি। হায়রিবা ইবুধৌ অমদি ইবেনধৌগী হরাউবগী থৌরম অসিবু লৈবাক মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু অমদি মপূং ফাহনবীয়ু হায়না পাউজেঞ্জরি।

পাউজেঞ্জরিবা - ককচীং খুল্লেন ইবুধৌ খল্লাংবা সেবা কম্মিটি
HL-P/3277/14 Regd. No. 10 of 2002-03

IMA KONDONG LAIREMBI THOUGAL-LUP, MOREH

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/পাউজেল

চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী হরাউবা, চহী অসিগী ওইনসু লাক্লিবা তাং ১৮/০৪/১৮ ইং, য়ূমশকৈশা নুমিৎতগী হৌরগা তাং ৩০/০৪/১৮ ইং, নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা নুমিৎ তরাহুমদোইনি চুপ্পা হরাউজগনি/পাঙথোকচগনি।

মরম অদুনা ইরমদম মণিপুরগী মীয়াম্না হরাউবা অসিদা মপূং ফানা শরুক য়াবীরনবা নোল্লুক্না পাউজেল পীজরি।

হরাউবা অসিদা থৌগল ফংবীনীংবশিংনা মখাগী Mobile No. 9774030687, 8414834617, 8787578115, 8974874325 অসিদা পাউ পীবিনবা নোল্লুক্না খঙহঞ্জরি।

পাউজেঞ্জরিবা-N. Dijen Meitei
Pub. & Inf. Secy.
HL-C/068/14,16,17,18

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/পাউজেল
ৱাঙ্গোই লাইনিংথৌ সনামহী হরাউবা

লাক্লিবা তাং ১৮/০৪/২০১৮ ইং কালেনগী ৩নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতগী হৌরগা তাং ২৭/০৪/২০১৮ ইং ইরাই ফাওবা নুমিৎ ১০ (তরা) নি চুপ্পা হরাউজগনি। মসিদা অরাপ্পা অমসুং অনকপদা লৈখিবা ইরৈচা খিবিক্লা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বীদুনা লাইনিংথৌগী থৌগল তৌবিরনবা পাউজেঞ্জরি।

পাউজেঞ্জরিবা-থৌনাওজম খোমৈ লুৱাং
সেক্রেটরি, লাইনিংথৌ সনামহী অমসুং ৱাংব্রেন সেবা কম্মিটি, ৱাঙ্গোই
HL-P/1017/14

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/পাউজেল

ইকায়খুম্নজরিবা অহল-লমন, মরুপ-মপাং, লাই-গুরু, ইচিল-ইনাও খ্বাই পুম্নমক্কী মফমদা লাইনিংথৌ পুথিবা কুমজা হরাউবা কম্মিটিগী মায়কৈদগী হরাউবগী পাউজেল পীজরি। মদুদি লাক্লিবা তাং ১৭/০৪/২০১৮ ইং, কালেনগী ১/২নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী লাইহৌ তমজরগা তাং ২২/০৪/২০১৮ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবা কোরৌ শিংবুম ৬নি চুপ্পা লাইনিংথৌ পুথিবা কুমজা হরাউবগী থৌরম পাঙথোকচরগনি।

তাং ২০ ইরাই নুমিৎ অসিদা অতোপ্পা লমদা য়ুম পানখ্রবীশিংগী থৌগল নুমিৎ ওইনা থমজরি। থৌরম অসিদা অরাপ্পা অমদি অনকপদা লৈবিরিবা অহল-লমন, লাই-গুরু, মরুপ-মপাং, ইচিল-ইনাও খ্বাই পুম্নমক্না লাইনিংথৌগী থৌগল ফংবিরনবা অমদি মীৎয়েংলোইগী লৈতেং ওইবিরনবা চেনা পাউজেল চৎচরি। পাউচেদা পাউজেল চৎচবগী অরানবা খিবিক ঙাকপীগগনি।

পাউজেঞ্জরিবা-লাইনিংথৌ পুথিবা কুমজা হরাউবা কম্মিটি
য়ুম্নাম খুম্নৌ (পাঙ্গৈ)
HL-P/1018/14

ꯑꯔꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄꯥ/অৰাবা ফোঙদোকপা

নাওরেম বিরহরি কোলেজ, খুন্দ্রাকপমদা ক্লাস টুয়েল্ব (সাইন্স) তা তম্বীরম্বা ৱাইখোম সুনরজিৎ সিংহ, কোন্থা অহল্লুপ ময়ায় লৈকায়দা লৈবনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা কোলেজ অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, টিচিং এন্দ নন-টিচিং ষ্টাফকী মীওইশিংনা অৰাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডা. এন জি একাসিনি দেবীনা থৌরম মপূ ওইখি। লৈখিদ্রবগী অত্থানা তাইবঙ শেন্থা মপূগী খুয়াদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজরি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৰাবদসু শরুক য়াজরি।

ফোঙদোকচরিবা - N.C. JAVELIN
General Secretary
Naorem Birahari College Students Union 2017-18
HL-P/1019/14

ꯁꯨꯙꯥꯀꯔꯕꯨ/সুধাকরবু "Almighty God" না বর পীবিরসনু



L. Sudhakar

লাইশ্রম সুধাকর অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর সগোলবন্দ খন্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈবগী লমজিং মখাদা ঐগী ইখুরাগী মচানুপীগী ঈশিং মরীদা নুং লৈবদগী ৱারম্বা খুদিংমক সুধাকরগী হীদাক চারবা নুমিৎ ২০নিগী মনুংদা তারক্লে। মসিগীদমক্তা সুধাকরবু থাগৎপগা লোয়ননা পুন্সি নুংশাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌনবা **"Almighty God"** না বর পীবিরসনু।

Sd/- KAMSON JOSEPH
TAKYEL KHONGBAL MANING LEIKAI
HL-P/1015/14

ꯅꯨꯡꯁꯪ ꯂꯥꯏꯅꯥ/ নুঙশং লায়না খুদিংমক লাইনা ফহনবা ঙম্লে

নুঙশংগী লায়না খুদিংমক মায় পাক্লা লাইয়েংজরি। অদোম অদোমগী হকচাংদা নুঙশং হায়রিবা লায়না অসিনা নাবীরগদি ঙসি ঙসিমক লাকপীদুনা অদোমগী হকচাংদা লৈরিবা নুংঙাইতবা অদু অথুবা মতমদা য়েংথোকপীয়ু। অদোমগীদমক্তা খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা ঃ
Naorem Ibomcha Meitei
Heingang Awang Leikai, Near Saya club,
Mobile No. ☎ **8729960411**
HL-P/752/17/3-16/4

IN THE COURT OF DISTRICT JUDGE; IMPHAL WEST, MANIPUR

ORIGINAL (PROBATE) CASE NO. 2 OF 2018

Shri Johnson Pebam @ Chinglen aged about 31 years, S/o P. Saratchandra Singh, resident of Kwakeithel Moirang Purel Leikai, P.O. Imphal, P.S. - Singjamei, District - Imphal West, Manipur.

... Petitioner

WHEREAS Notice is hereby given under Order V Rule 20 of the Code of Civil Procedure, 1908 that the Petitioner above named had filed an application before this Hon'ble District Judge, Imphal West, under Section 276 of the Indian Succession Act, 1925 praying for granting of Probate or Letter of Administration in respect of a registered WILL bearing No: 2658 dated 08/07/2015 executed and registered by the deceased R.K. Ladusana Singh S/o (Late) R.K. Gopalsana, resident of Kwakeithel Moirang Purel Leikai, Imphal West.

Any person having any interest or claim upon in this application and as to why Petitioner should not be granted Probate or Letter of Administration in respect of the said registered WILL bearing No: 2658 dated 08/07/2015 executed by (Late) R.K. Ladusana Singh, are hereby summoned to appear before this Court either in person or by a pleader on 24/04/2018 at 10:30 A.M.

Take notice that in default of your appearance on the day before mentioned, the case will be heared and determined in your absence.

Given under my hand and seal of this court, on this **12th April. 2018.**

SEAL : **Sd/- Sheristadar**
By : Advocate District & Sessions Court, Imphal West

HL-P/1020/14,16

BLOCK MACHINE GI CHECK FANGBIGANI
ꯑꯤꯕꯤꯑꯦꯁ M/S E.B.S. BRICK FIRM ꯑꯤꯕꯤꯑꯦꯁ
Heirok Partv-II Gate Palli Road
15 Days Discount

Class	Rate	No. Brick	Brick Amount	Transport Charge	Labour Charge	Total Amount
1st	12.00	3.000	36.000	3.000	800	39.800
1st	12.00	2.000	24.000	2.000	600	26.600
1st	12.00	1.500	18.000	1.700	400	20.100
2nd	11.50	3.000	34.500	3.000	800	38.300
2nd	11.50	2.000	23.000	2.000	600	25.600
2nd	11.50	1.500	17.250	1.700	400	19.350
1st	11.50	3.000	34.500	3.000	800	38.300
Reject	11.50	2.000	23.000	2.000	600	25.600
Reject	11.50	1.500	17.250	1.700	400	19.350
P.T	11.00	3.000	33.000	3.000	800	36.800
P.T.	11.00	2.000	22.000	2.000	600	24.600
P.T.	11.00	1.500	16.500	1.700	400	18.600
3rd	7.50	3.000	22.500	3.000	800	26.300
3rd	7.50	2.000	15.000	2.000	600	17.600
3rd	7.50	1.500	11.250	1.700	400	13.350
	Chekteck (407 one load)		4.500	1.700	400	6.600

Proprietor: E.B.S.
Please Contact : 9612094570/7005567340
HL-P/930/5-20Aprl

ADVANCED COACHING INSTITUTE
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road, opposit koirengei auto parking Regd. No. : 729
The Largest, Trusted & Premier Coaching Institute, Imphal in both Sc. & Arts
TOPPERS OF COHSEM Sc. 2017
TOPPERS OF COHSEM ARTS 2017
2nd Position(Sc. 2017 R.K. Babysana
3rd Position(Sc.2017) VICTORIA
2nd Position (Arts) Guneshori
3rd Position(Arts) Dholenchandra
8th Position(Arts) Pebam Bruch
Foundation course for class ix ,x (2nd Batch) from 4th, 19th April'18
foundation course for class vi to viii from 1st. ,15th ,22th April'18.
4th Foundation Course for class xi, xii Sc(Evening) 4th, 19th April'18.
Foundation course for class xi,xii Sc.(Morning) from 4th, 19th April'18
3rd Foundation COURSE FOR xi and XII ARTS FROM 4th,19th ,27th April ,'18
1st Special separated batch for ix - xii inEnglish medium only.
ADMISSION OPEN for special vaccation crash course for class vi to xii in Sc. and Arts for JNV,Sainik and outsider institutions
Separated boys and girls hostels, van service,morning & evening batches
Only 35 Students per class (Limitted seats) for details # 7641030857/9862992105
Separated BOSEM, COHSEM & CBSE
Time : 4.30-7.40am/ 11am-4pm/4.30-7.40pm
HL-B/4560/6/4-6/5

ENGLISH GRAMMAR
HOME TUTION
CLASS VI-X
HL-P/1007/14 Contact - 8787530879



ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থন্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোন্থা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্ত পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্ত মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঊৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকথাউনাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙ্গা শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটুলৈবা, অপোন্থ খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।
অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. 9615533737, 9856271907
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee
HL-B/4565/12/4-11/05

Hurry up ꯇꯤ.ꯇꯤ.ꯁꯤ. ꯕꯣꯏꯖ ꯍꯣꯁꯇꯦꯜ Hurry up
"T.T.C. BOY'S HOSTEL"
SANGAIPROU MANING LEIKAI
FCI, Godown Road.
Near ISKCON, Imphal West
"ADMISSION OPEN"
SEATS ARE LIMITED
FOR BOYS CLASS IX TO XII
Facilities :
(i) Fooding & Lodging.
(ii) Special Coaching for classes IX, X, XI & XII by well expirienced Teachers of Physics, Chemistry, Mathematics, English, Biology, Etc.
(iii) Coaching classes include girls.
For more detail pliz contact :
9089671089, 9436270438, 9612019105
HL-P/985/11,12,13,14,16

CAS Medical/Foundation
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
CRASH MEDICAL COURSE for NEET -2018
FOUNDATION COURSE
CLASS XI & XII
(Physics, Chemistry, Maths, Biology & English)
CLASS X
(English, Maths, Science, Social Science & Manipuri)
Foundation Course Classes commencing from 9th April, 2018
Facility of:- #Morning Batch #Evening Batch
Seats are limited Fiirst come First Served
VAN service & hostel for BOYS & GIRLS available
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal
HL-B/4553/44-4/5

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯟ ADMISSION OPEN ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯟ
ENGLISH COACHING
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- BOARD EXAMS (IX, X, XI & XII)
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
HL-B/4545/25/3-25/4 Contact Nos. ☎ 8974642764

ꯁ꯭ꯃꯥꯔꯠ ꯇꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯑꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ
SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
ADMISSION OPEN
Class X,XI sc. & XII sc. (BOSEM & COHSEM)
FOUNDATION COURSE
STARTING OF Class 5 & 16 April, 2018
HOSTEL (BOYS & GIRLS)
CLASS VI TO XII & COLLEGE
VAN SERVICE AVAILABLE
TIMING:
4:30 P.M TO 7:30 P.M
Sub: ENG.,S.S.,SC., MATHS,M.M-X
Eng.,Phys.,Chem.,Bio. & Maths -XI & XII
Detais Please Visit S.T.C.,Singjamei Super Market
HL-P/797/21/3-18/5 (Alt.) ☎ 8730999192